# লেষ্টর সিটিনা মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদ থোইখিবদগী মেঞ্চেষ্টর সিটিনা প্রেমিয়র লীগ টাইটল লৌখ্রে



লন্দন, মে ১২ (এজেন্সী):
ইংলিশ প্রেমিয়র লীগকী ঙরাং শান্নখিবা মেটচ অমদা লেষ্টর সিটিনা মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদপু থোইখিবদগী মেঞ্চেষ্টর সিটিনা লীগ অদুগী টাইটল লৌবা ঙমখ্রে।

ঙরাংগী মেটচ অদুগী মাংওইননা মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদ রাউন্দ ৩৪ শান্নখিবদা পোইন্ট ৭০ ফংদুনা মেঞ্চেষ্টর সিটিগী মেটচ ৩৫দা পোইন্ট ৮০ ফংখিবা অদুদগী পোইন্ট ১০ হন্থরগা লৈখিবনি। লেষ্টর সিটিগী মখূৎতা মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদ পাঞ্জল ১-২দা মায়থীবা নংখিবা অদুনা মখা তানা লেমহৌরিবা রাউন্দ ৩দা মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদনা অহুম্মক মায় পাক্তুনা পোইন্ট ৯ হাপচিল্লবসু মেঞ্চেষ্টর সিটিগী হৌজিক লৈরিবা পোইন্ট অদু য়ৌবা ঙমদবদগী লীগ অসিগী রাউন্দ ৩৮ লোইদ্রিঙৈদা মেঞ্চেষ্টর সিটিনা টাইটল অদু ফংখিবনি। হন্দক্কী সিজন অসিদা টাইটল ফংবা ঙম্লবা মেঞ্চেষ্টর সিটিনা মখোয়না শরুক য়ারকপা সিজন ১০গী মনুংদা সিজন ৫গী টাইটল লৌবা ঙম্বা ওইরি।

ঙরাংগী মেটচ অদুদা লেষ্টর সিটিগী মায়কৈদগী শান্নবা হৌরকপা শুপ্পগী ১০শুবা মিনটতা য়ুরি টিলমেন্সনা পীরকপা ক্রোস অমদা লুক থোমাসনা অহানবা পাঞ্জল অদু চনবা ঙমখি। অদুবু মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদকী মায়কৈদগী অথুবা মতমদা অমাটনা পীরকপা বোল অমদা মেসন গ্রিনৰুদনা ১৫শুবা মিনটতা ইক্বেলাইজর অদু চন্দুনা লম্বা অমুক মান্নরকখি।

অহানবা হাফ অদুগী লেমহৌরিবা মতম অদুদা টিম অনীমক্কী মায়কৈদগী মখা তানা অহেনবা পাঞ্জল হাপচিনবা ঙমদনা হাফ অদু লোইশিনখি। অনীশুবা হাফ শান্নবা হৌরকপা মিনট ২১ শুজিল্লকপদা লেষ্টর সিটিনা চথুরকখিবা এটেক অমদা মার্ক অলব্রাইটননা পীরকপা বোলদা কেল্লার সোয়ুনকুনা টিমগী অনীশুবা পাঞ্জল অদু চল্লগা মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদপু ২-১দা হেন্দুনা লৈখি। ইংলিশ প্রেমিয়র লীগকী টাইটলগী লম্বেল মচা অমা লৈরিবা মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদনা পুংখায় অমরোমগী মতম অদুদা ফনা কন্না হোৎনরবসু পাঞ্জল হন্দোকপা ঙমদনা মায়থীখিবনি।

নীংশিংবা য়াই, মেঞ্চেষ্টর সিটি য়ুরোপিয়ন চেম্পিয়ন্স লীগকী ফাইনেলসু য়ৌবা ঙমখ্রবা টিম অমনি। মখোয়না চেম্পিয়ন্স লীগকী ফাইনেলদা অতোপ্পা ইংলেন্দগী ক্লব চেলসিগা লম্বা তৌনগদৌরিবনি।

মেঞ্চেষ্টর সিটিগী মায়কৈদগী সিজন অসিদা মমিং লৈরবা ষ্ট্রাইকর অমা য়াওদ্রবসু হৌজিক ফাওবগী ওইনা লীগ অসিদা পুন্না পাঞ্জল ৭২ চন্দুনা খ্বাইদগী মশীং য়াম্না পাঞ্জল চনবা ঙম্বা টিম অদু ওইরি। অদুগা মায়োক্লবা টিমনা চনশিল্লকপা পাঞ্জলসু শুপ্পগী ২৬ ওইবা মরম্না খ্বাইদগী য়ামদনা চল্লকপা ওইরি।

টিম অদুগী কোচ পেপ গ্বারদিওলানা ফোঙদোকখিবদা, হন্দক্কী সিজন অসিনা য়াম্না কম্পিটিসন কনবা অমদি হোৎনবা য়াম্না কনখিবা সিজন ওইখি। ক্লব অসিগী পুৱারীদা প্রেমিয়র লীগ টাইটল অসি ৭লকশুবা ওইনা লৌবা ঙম্লি।

# নম্বর টু সিদেদ জপানগী নাওমি ওসাকা অমসুং ৮শুবা সিদেদ য়ু এসএগী সেরেনা ৱিলিয়মস মায়থীহৌরে





রোম, মে ১২ (এজেন্সী):
ইটালিগী কোনুং রোমদা পাঙথোক্লিবা ইটালিয়ন ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্টকী নুপীগী কাঙলূপ্তা অনীশুবা সিদেদ ওইনা শরুক য়ারকখিবী জপানগী নাওমি ওসাকা অমসুং য়ু এস এগী ৮শুবা সিদেদ সেরেনা ৱিলিয়মস অনীশুবা রাউন্দদা মায়থীহৌরে।

জপানগী নাওমি ওসাকানা টুর্নমেন্ট অসিগী অহানবা রাউন্দদা বাই ফংদুনা অনীশুবা রাউন্দদা য়ু এস এগী জেসিকা পেগুলাগা লম্বা তৌনখি। অহানবা সেট অদুদগী হৌরগা জেসিকা পেগুলাগী মায়কৈদগী অকনবা প্রেসর পীদুনা ওসাকাবু শোট খূদিংগী লম্বা তৌরকখি। হেঞ্জিন্নবা ঙম্নদবদগী গেম ১২ লোইশিল্লকপা ফাওবদা গেম ৬-৬ মান্নখিদুনা টাই ব্রেক শান্নখি। মদুদা পেগুলানা পোইন্ট ৭-২দা থোইরগা অহানবা সেট অদু মহাক্কী ওইখি।

অনীশুবা সেটতা ওসাকাগী মায়কৈদগী অশোয়বা খরা য়াওখিবা অদুগী খূদোংচাবা লৌদুনা পেগুলানা ওসাকাগী সর্ভিস গেম অনী ব্রেক তৌদুনা অমদি মশাগী সার্ভিসশিং অদু শোয়হন্দবদগী ৬-২দা থোইরগা অনীশুবা রাউন্দ অদু মায় পাকখিবনি। পেগুলানা অহুমশুবা রাউন্দদা অতোপ্পা য়ু এস এগী শান্নরোয় জেনিফর ব্রেদি শান্নবা ঙমখিদবদগী মহাক্কী লম্বা ওইখিবী রসিয়াগী একা টেরিনা অলেকজেন্দ্রোভাগা শান্নরগনি।

য়ু এস এগী টুর্নামেন্ট অসিদা ৮শুবা সিদেদ ওইখিবী সেরেনা ৱিলিয়মস অর্জেন্টিনাগী এন পোদোরোস্কাগা অকনবা লম্বা অমদা সেট ০-২দা মায়থীবা নংখি। অহানবা সেট অদু টাই ব্রেকতা য়াম্না নক্লনা লম্বা তৌনবদা পোদোরোস্কা পোইন্ট ৮-৬তা থোইদুনা সেট অমা মাঙজিল থাখি।

অনীশুবা সেট অদুসু লম্বা মান্নরকপদগী গেম ৫-৫দা লৈনখি। অদুবু ১১শুবা অমদি ১২শুবা সেট অদু পোদোরোস্কানা থোইদুনা ৭-৫দা সেট অদু লৌবদগী অহুমশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখি। মহাক্না ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌনবগীদমক্তা ফ্রান্সকী কে লাদেনোবিচপু ৭-৫, ৬-৩দা থোইরন্বী ক্রোএসিয়াগী পি মার্টিককা লম্বা তৌনরগনি।

নম্বর ৱান সিদেদ ওষ্ট্রেলিয়াগী এস্লি বার্টিনা অনীশুবা রাউন্দদা কজাখষ্টানগী ৱাই স্বেদোভাবু ৬-৪, ৬-১দা থোইদুনা অহুমশুবা রাউন্দদা ফ্রান্সকী কেরোলিন গার্সিয়াবু ৬-৪, ৬-৪দা মায়থীবা পীরন্বী রসিয়াগী কুদরমেটোভাগা শান্নরগনি।

# ভেটরান টেবল টেন্নিস শান্নরোয় ভি চন্দ্রসেখর কোভিদ-১৯না লৈখিদ্রে



চেন্নাই, মে ১২ (এজেন্সী):
ইন্দিয়াগী নেসনল টেবল টেন্নিস টাইটল অহুল্লক লৌবা ঙমখ্রবা অমদি ইন্টরনেসনল প্লেয়রসু ওইরম্বা ভি চন্দ্রসেখর ঙসি কোভিদ-১৯গা মরী লৈনবা অনাবনা মরম ওইরগা লৈখিদ্রে।

মশাগী চহী ৬৩ শুখ্রবা চন্দ্রসেখর হন্দক্তা চেন্নাইদা লৈবা সিটি হোস্পিটালদা কোভিদ-১৯না মরম ওইরগা এদমিট তৌখিবদা লংসতা ইনফেক্সন লাকপদগী লায়েংবা ঙমদনা লৈখিদবনি হায়রি।

চন্দ্রসেখরগী মীৎয়েং মখাদা ইন্দিয়াগী মরুওইবা শান্নরোয় কয়া লমজিং লমতাকলমখি। মখোয়গী মনুংদা এস রমন, অরুল সেলভি, চেতন বাবু, এন আর ইন্দু, এম এস মিথিলি, গনসেখরন সাথিয়ান অমসুং টিনএজর সুরেশ রাজসু য়াওরি। হৌখিবা চহী ২০ লোম অসি চন্দ্রসেখরনা ষ্টেট বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়াদগী রিটায়র্দ ওইরবা মতুং কোচিংগী থবক চত্থরকপনি।

টামিল নাদুদা স্পোর্টস দিভলপমেন্ট ওথোরিটিগী মতেংগা লোয়ননা মহাক্কী টেবল টেন্নিস একাদেমি হাংদোকখি। কুমজা ১৯৮২দা কম্মনৱেল্থ চেম্পিয়নশিপতা মহাক সেমীফাইনেল ফাওবা য়ৌখি। অদুগা কুমজা ১৯৮৩দা গ্রুপ টুদগী ৱানদা ইন্দিয়াগী টিমবু ক্বালিফাই ওইহনবদা অচৌবা থৌদাং লৌরমখি।

# জপানদা গেমসকী মাংওইননা এথলিটশিংবু ভেক্সিন কাপ্লগনি : রিপোর্ট






টোকিও, মে ১২ (এজেন্সী):
জপানদা ওলিম্পিক গেমসকী মাংওইননা লৈবাক অদুগী এথলিটশিংদা কোভিদ-১৯গী ভেক্সিন কাপ্লগনি হায়না মফম অদুদা ফোঙবা পাউচেশিংগী রিপোর্ট অমনা ফোঙদোরক্লি।

খোঙথাং অসিনা লৈবাক অদুদা লৈঙাক্লা মীয়ামদা ভেক্সিন য়ৌহনবগী খোঙথাং তপ্পা লৈরিবা অদুগী মাংওইননা এথলিটশিং অদুদা হান্না ভেক্সিন ফংগদৌরি হায়রি।

জপানদা ফোঙবা পাউচে নিকৈ অমসুং য়োম্যুরি সিমবুনদা য়াওরকপা রিপোর্টশিং অসিনা মরম ওইদুনা ওলিম্পিক ওর্গনাইজরশিং নৎত্রগা জপানগী ওলিম্পিক কম্মিটিগী মায়কৈদগী হীরম অসিগী মতাংদা ৱাফম অমত্তা ফোঙদোকপা লৈত্রি হায়না রিপোর্ট অদুনা মখা তারি।

পাউচেশিং অসিনা মখা তারদুনা, য়ামদ্রবদা শান্নরোয় অমদি কোচ য়াওনা মীওই ২,৫০০না ভেক্সিন অসি ফংগদৌরি। লোয়ননা হায়রিবা ভেক্সিন কাপথোকপগী থবক থৌরম অসি জপান স্পোর্টস ফেদরেসনশিংনা কুপ্না য়েংশিনগনি হায়রি।

নীংশিংবা য়াবদি, মমাংদা জপান লৈঙাক্লা মীয়ামদগী মাংওইননা এথলিটশিংদা ভেক্সিন কাপ্পগী খোঙথাং লৈতেহায়না ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি। থা অসিগী অঙনবদা য়ু এস এগী মমিং লৈরবা দ্রগ কম্পেনি ফাইজর অমদি মসিগা খূৎশম্ননা চৎমিন্নরিবা জর্মনিগী কম্পেনি বাইওএন্দ টেকনা লাউথোকখিবদা, ইন্টরনেসনল ওলিম্পিক কম্মিটিগা খূৎশম্নদুনা টোকিও ওলিম্পিক গেমসতা শরুক য়াগদৌরিবা শান্নরোয় অমদি ষ্টাফ পুম্নমক্কী ভেক্সিন পীগনি হায়না ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি। মখোয়না ফোঙদোকখিবা অদুদা শরুক য়াগদৌরিবা মেম্বরশিং অদু থা অসিগী অরোইবা শরুক্তগী অহানবা দোজ অদু ফংগনি হায়খিবনি। অদুবু ভেক্সিনশিং অদু কাপ্পদা করম্বা টিমনা শরুক য়াগদগে হায়বদুদি ফোঙদোকপা লৈত্রি।

জপান লৈঙাক্লা ফাইজর কম্পেনিনা পুথোকপা ভেক্সিন অদুবু এপ্রুভ তৌখ্রবনি। অদুবু লৈবাক অদুদা ভেক্সিন কাপ্পা হৌবগী খোঙথাং অসি য়াম্না তপ্পনা মীয়ামগী মায়কৈদগী প্রেসর কয়া পীরকপা লৈখ্রবনি। হৌজিক-হৌজিক্কী ওইনদি জপানদা হেল্থ ৱর্করশিং অমদি চহী য়াল্লবা মীওইশিং খক্তমক ভেক্সিন কাপ্পা য়াহল্লি। অদুগা জেনরেল পোপ্যুলেসনগী ওইনা ভেক্সিন ফংগদবা মতম অদু লাউথোকপা লৈত্রি। লৈবাক অদুদা গেমসকী ওইনা ভলন্টিয়র ২০০গী অহাঙবা ফম অদুগীদমক্তা য়ামদ্রবদা দোক্টর ২৮০ হেনবনা এপ্লাই তৌরক্তুনা ওর্গনাইজরশিংগী ওইনদি অফবা ওইরি।

# ইকাই খুম্নবা উৎলক্লি



ইম্ফাল, মে ১২ (ঐচ এন এস):
অপূনবা মণিপুর হুয়েন লানলোং লূপকী থৌমী ওইবীরম্বা উরিপোক সোর্বোন থিংঙেলদগী শিন্তাকপা মুতুম অরুনকুমার মীতৈ মশাগী অনাবনা মরম ওইদুনা লৈখিদ্রে হায়না লূপ অসিগী এসিষ্টেন্ট জেনরেল সেক্রেটরি ও ৱাংঙম্বা মীতৈনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অদুনা হায়, হুয়েন লানলোংগী মহে অসি য়োকখৎচবা অমদি কন্নবা অচৌবা থৌদাং লৌবীরম্বা শিন্তাকপনা লৈখিদবদা অপূনবা মণিপুর হুয়েন লানলোং লূপকী থৌপুরোয়শিং, শিন্তাকপশিং অমদি থৌমীশিংনা ইকাই খুম্নবা উৎলকপগা লোয়ননা ইমুং-মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়ারি হায়রি।

# ইন্দিয়াগী শুটিং টিম ওলিম্পিককী শেম শানবগীদমক জাগ্রেবতা থুংখ্রে

ন্যু দেল্লী, মে ১২ (এজেন্সী):
টোকিও ওলিম্পিক গেমসতা ইন্দিয়াগী মেদল শুংশোয় শোয়দনা পুরক্কনি হায়বগী থাজবগা লোয়ননা ট্রেনিং কম এক্সপোজর টুর অমগীদমক ইন্দিয়াগী শুটিং টিম ঙসি অয়ুক ক্রোএসিয়াগী কোনুং জাগ্রেবতা থুংখ্রে।

ইন্দিয়াগী টিম অসি স্পাইস জেটকী সিট ১৮০ চনবা চার্টরদ ফ্লাইট অমদা ইন্দিয়া থাদোকখিবনি। শুটর ১৩, কোচ ৭, ফিজিও ৫ অমদি ভিদিও ক্রু মেম্বর ২না জাগ্রেভ য়ৌরবা মতুং হোটেলদা সিঙ্গল রুমশিংদা লৈহনখি। মখোয় হোটেল অদুদা চয়োল অমগী আইসোলেসন তৌগদৌরিবনি।

জাগ্রেব শুটিং এসোসিএসনগী মায়কৈদগী ফোঙদোরকখিবদা, ইন্দিয়াগী শুটিং টিম অদুনা মফম অদুদা লৈবা মতমদা অৱাবা লৈহন্দবা অমদি কুইনা নীংশিংগদবা মতম ওইহনগনি হায়না ফোঙদোরকখি। মরক অসিদা, ইন্দিয়াগী কোচ অনী নেহা চাবন অমদি পাভেল স্মিরনোব টিম অদুদা শরুক য়াখিদে।

ন্যু দেল্লীদা ট্রেনিং কেম্প অসি পাঙথোক্কনি হায়না তৌরম্বনি। অদুবু কোভিদকী চৈথেং অসিনা অপনবা পীরক্কদবনা মরম ওইদুনা ক্রোএসিয়াগী কোনুং জাগ্রেবতা ওইনা শীনখিবনি। মসিগী মতুংইন্না শুটর খরদি মখোয়গী গাইদ য়াওদনা কম্পিটিসন শরুক য়াগদৌরি।

নেসনল রাইফল এসোসিএসন ওফ ইন্দিয়াগী সেক্রেটরি রজিব ভটিয়ানা ফোঙদোকখিবদা, কোচ পাভেলগী ভিজা এপ্লিকেসন অদু পেন্দিংদা লৈরি হায়খি। লোয়ননা মখোয় অনীগী মনুংদা অথুবা মতমদা জাগ্রেবতা পাঙথোক্কদৌরিবা ৱর্ল্দ কপ নংননবা চৎকনি হায়রি।

ইন্দিয়াগী পিষ্টোল শুটর ৫ অদু এক্সপরিয়েন্স লৈরবা কোচ বেদ প্রকাশ পিলানিয়ানা য়েংশিনগদৌরি। লোয়ননা হান্না কোভিদ পোজিটিভ ওইরুবী অপুর্ভি চান্দেলা মতম চানা নেগেটিভ রিপোর্ট ফংলকপদগী জয়পুরদগী লাক্লগা টিম অদুদা শরুক য়াখি। লোয়ননা স্পোর্টস মিনিষ্ট্রি অমদি নেসনল ফেদরেসনননা খূৎশম্নদুনা চার্টরদ ফ্লাইট শীনখিবা অদু নংননবা চান্দেলাগী কোচ রাকেশ মনপটসু বেঙ্গলুরুদগী ন্যু দেল্লী য়ৌরকখি।

জাগ্রেবতা শুটরশিং অদুনা মখোয়গী হোটেল কা মনুংদা লৈরিঙৈদা এয়র পিষ্টোল অমদি রাইফলশিং অদু কা মনুংদা পুশিনবা য়াহনখি। মখোয়না দ্রাই প্রেক্টিস তৌবা য়ানবগীদমক্তনি। অদুগা মরূশিং অদুনা তোঙান্না আর্মরিদা থমখি হায়রি। টিম অসিনা থা অসিগী ২০দা জাগ্রেবকা থংননা লৈবা সিটি ওসিজেকতা য়ুরোপিয়ন শুটিং চেম্পিয়নশিপতা শরুক য়াগনি। লোয়ননা মফম অদুমক্তদা জুন ২২দগী ৱর্ল্দ কপ শুটিং পাঙথোক্কদৌরিবা অদুদসু ইন্দিয়াগী শুটরশিং অদুনা শরুক য়াগদৌরিবনি।

# ফিফানা শান্নরোয়শিংগী তোলোপ ওইনা য়ু এস দোল্লর মিলিয়ন ৫গী মতেং পীখ্রে

জ্যুরিক, মে ১২ (এজেন্সী):
মালেমগী ফুটবোলগী খ্বাইদগী চাওবা লূপ ওইরিবা ফিফানা প্রোজেক্ট অমগী মখাদা অৱাবা নংলবা ফুটবোল শান্নরোয়শিংদা মখোয়গী তোলোপ ওইনবা য়ু এস দোল্লর মিলিয়ন ৫গী শেন্থং পীখ্রে হায়রি।

ফিফাগী মায়কৈদগী ঙসি ফোঙদোরকখিবা ৱারোলদা, এফ আই এফ পি আর ও হায়না খঙনবা গ্লোবল য়ুনিয়ন অমগা খূৎশম্নদুনা প্রোজেক্ট অসিগী মখাদা কুমজা ২০২২গী লোইশিল্লকপা ফাওবদা শেলগী অৱাবা নংলবা ফুটবোল ক্লবশিংগী শান্নরোয়শিংগী ওইনা য়ু এস দোল্লর মিলিয়ন ১৬ খাক্তুনা থমখ্রে হায়রি।

অহানবা শেল পীবগী ওইনা তোলোপ ফংদনা লাক্লবা গ্রিস অমসুং টর্কিগী ফুটবোল ক্লবশিংদগী এপ্লিকান্ট ৪০০ রোমদা য়ু এস দোল্লর মিলিয়ন ২গী শেনফমনা মতেং পাংগদৌরি। ফিফা ফন্দ ফোর ফুটবোল প্লেয়র হায়রিবা য়ুনিয়ন অসিনা মরুওইনা টার্গেট তৌরিবা শান্নরোয়শিং অদুদি মখোয়না শরুক য়ারিবা ক্লবশিং অদু শেল লৈরক্তবদগী তোকপা য়াওরকখিবা নৎত্রগনা শোথুরম্বদগী হান্নগী অতোনবা শেনফমশিং অদু পীথোক্তনা অমুক শান্নবা হৌরকপা ক্লবশিং অদুখক্তগী ওইরি।

হৌখিবা চহী ৫ রোম অসিদা ফিফানা ক্লেম ১০৮৯ থাগৎলকপগী মনুংদা ১০০০ এপ্রুভ তৌদুনা য়ু এস দোল্লর মিলিয়ন ৫ পীথোক্কদৌরিবনি। শেনফমশিং অসি শান্নরোয়শিং অদুদা চাং নাইনা পীগদবা নত্তে। মখোয়না অৱাবা তারিবা অদু খরমখৈ মতেং ওইননবা পীবনি হায়রি।

কুমজা ২০০৮দা গ্লোবল ফাইনান্সিএল ক্রাইসিস লৈখিবা অদুদা হেন্না শোকখিবা গ্রিস লৈবাক্কী ফুটবোল শান্নরোয় ২৯১দা চাংচৎতা দোল্লর ৪,৬৭৫গী চাংদা পুন্না য়ু এস দোল্লর মিলিয়ন ১.৩ পীখ্রে হায়রি। টর্কিদা এপ্রুভ তৌখিবা শান্নরোয় ১১৭তা য়ু এস দোল্লর ৭০০,০০০ পীখি। রসিয়া, স্পেন, জর্মনি, ইটালি, মলেসিয়া, নোর্থ অমেরিকা অমদি সাউথ অমেরিকাগী ক্লবশিংদসু পীগনি হায়রি।

# চৎথোক-চৎশিন্দা অথিংবা লৈবা মরম্না নিরজ চোপ্রাগী শেম শাবদা অপনবা লৈগদৌরি



ন্যু দেল্লী, মে ১২ (এজেন্সী):
ইন্দিয়াগী নম্বর ৱান জেল্লিন থ্রোৱর ওইরিবা টোকিও ওলিম্পিক গেমসকীদমক্তসু ক্বালিফাই ওইবা ঙমখ্রবা নিরজ চোপ্রানা মহাক্কী শেম শানবগী হোৎনরকপা খোঙথাংদা ইন্দিয়াদগী অতোপ্পা লৈবাকশিংদা চৎথোক-চৎশিনগী অথিংবা লাকপদগী অপনবা পীগদৌরি।

মশাগী চহী ২৩ শুরবা নিরজ চোপ্রানা কুমজা ২০১৯গী অরোইবা শরুক্তা সাউথ অফ্রিকাদা পাঙথোকপা কম্পিটিসনদা ওলিম্পিক ক্বালিফাই ওইখ্রবা মতুং হৌজিক ফাওবদা ইন্টরনেসনল কম্পিটিসন য়াওবা ফংদনা লাক্লি। চহী অসিগী মার্চ থাদা ইন্দিয়াগী পটিয়ালাদা পাঙথোকখিবা ফেদরেসন কপতা নিরজ চোপ্রানা মহাক্কী করিয়রগী খ্বাইদগী ফজবা পর্ফোর্মেন্স অদু উৎপা ঙমদুনা মিটর ৮৮.০৭ লংবা ঙমখি। মদুগী মতুং মালেমগী ওইবা কম্পিটিসনদা অফবা এথলিটশিংগা চাংদম্নবা ফংদনা লাক্লি।

মালেমদা মীশীং খ্বাইদগী য়াম্না লৈবা লৈবাকশিংগী মনুংদা অনীশুবদা লৈরিবা ইন্দিয়া অনীশুবা কোভিদ-১৯গী ৱেভনা মমাংদা ফংখিবা চৈথেং অদুদগী হেন্না শোকচিনবা চৈথেং মায়োক্লরি। মরম অদুনা তোঙান-তোঙানবা লৈবাকশিংনা ইন্দিয়াদগী লাকপা মীওই অমত্তা চঙহন্দবগী প্রোটোকোল শেমদুনা লৈখি। মসিদা নৎতনা অতোপ্পা লৈবাক কয়া অমদনা ইন্দিয়াদগী লাকপা মীওইশিং অদু চঙবা য়াহল্লবসু ক্বারন্টিনগী মতম য়াম্না শাংনা থমদুনা শান্নরোয়শিংগী ওইনদি য়াম্না মাঙজবা অমা ওইরিবনি।

স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়ানা ঙসি পাঙথোকখিবা ভর্চ্যুএল ন্যুজ কনফরেন্স অমদা নিরজ চোপ্রানা ফোঙদোকখিবদা, টোকিও ওলিম্পিক গেমসকীদমক্তা শেম শাবদা ট্রেনিং চত্থবগা চপ মান্ননা কম্পিটিসনসু মথৌ তাই। মহাক্কী মায়কৈদগী অথুবা মতমদা মীরৈবাক্তা চৎতুনা অফবা এথলিটশিংগা কম্পিটিসন তৌবা পাম্লি হায়রি।

# সিঙ্গাপোর ওপন কেন্সেল তৌখিবদগী সাইনা নেহৱাল অমসুং কিদম্বী স্রিকান্তকী ওলিম্পিককী মঙলান লৈতবগা মান্নরে





ন্যু দেল্লী, মে ১২ (এজেন্সী):
বেদমিন্টন ৱর্ল্দ ফেদরেসননা কোভিদ-১৯গী লাইচৎনা মরম ওইরগা সিঙ্গাপোর ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট কেন্সেল তৌখিবদগী ইন্দিয়াগী বেদমিন্টন শান্নরোয় সাইনা নেহৱাল অমসুং কিদম্বী স্রিকান্তনা টোকিও ওলিম্পিক গেমস য়াওননবগী লৈখিবা মঙলান অদু লোইশিনবগা মান্নরে।

বেদমিন্টন ৱর্ল্দ ফেদরেসনগী কাঙলোনগী মতুংইন্না টোকিও ওলিম্পিক গেমসকী ক্বালিফিকেসন সিষ্টম অসি শান্নরোয় অমনা টুর্নামেন্ট শরুক য়ারকপদা ক্বালিফিকেসন রেঙ্কিং পীরি। হায়রিবা রেঙ্কিং অদুদা মকোক থোংবা শান্নরোয় (নুপা অমসুং নুপী) ১৬/১৬ খক্তমক ক্বালিফাই ওইগদৌরিবনি।

সাইনা নেহৱাল হৌজিক-হৌজিক ওলিম্পিক ক্বালিফিকেসন রেঙ্কিংদা ২২শুবা পোজিসনদা লৈরি। অদুগা কিদম্বী স্রিকান্তনা ২০শুবা পোজিসনদা লৈরি। করিগুম্বা পোজিসন ১৬কী মখাদা লৈবা শান্নরোয়শিংনা ওলিম্পিকতা শরুক য়াবগী তাঞ্জা ফংগে হায়রবদি মকোক থোংবা শান্নরোয় ১৬কী মনুংদা লৈরিবা শান্নরোয়শিংনা ৱিদ্রো তৌরকপা নৎত্রগনা মখোয়গী লৈবাকশিং অদুনা মখোয়বু নো ওবজেক্সন সর্টিফিকেট পীদনা লৈরবদি থাক নাইনা ক্বালিফাই ওইবগী মশীং অদু অমুক রেঙ্কিং মখাদা লৈহৌবা শান্নরোয়শিং অদুনা মহুৎ শিনগদৌরিবনি।

সিঙ্গাপোর ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিনা টোকিও ওলিম্পিক গেমসকীদমক্তা ক্বালিফিকেসন রেঙ্কিং লৈবা অরোইবা টুর্নামেন্টনি। টুর্নামেন্ট অদু জুন ১দগীনা ৬ ফাওবা পাঙথোক্কনি হায়না তৌরম্বা অদু বেদমিন্টন ৱর্ল্দ ফেদরেসনগী ৱারোলদা হৌজিক লাক্লিবা কোভিদ-১৯গী অনীশুবা ৱেভকী চৈথেং অসিনা য়েথোকপগী মতমসু লৈররোই হায়না ফোঙদোরকখিবনি। সিঙ্গাপোরদা অনৌবা কেস মশীং য়ামদ্রবসু চৎথোক-চৎশিনগী লম্দা অথিংবা লাকপদগী টুর্নমেন্ট অসি পাঙথোকপা য়ারোইদৌরিবনি।

## HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



**PUZZLE NO. 107**

**Simon, Ralf Axel (2320) - Seul, Georg (2315)**
**Bundesliga 8889 Germany, 1989**

| | | | |
|---|---|---|---|
| 1.Nf3 d6 | 2.d4 Bg4 | 3.e3 Nf6 | 4.Be2 g6 |
| 5.h3 Bxf3 | 6.Bxf3 c6 | 7.O-O Bg7 | 8.g3 O-O |
| 9.Qe2 Nbd7 | 10.Rd1 d5 | 11.Bg2 Qb6 | 12.c4 dxc4 |
| 13.Na3 e5 | 14.Nxc4 Qa6 | 15.Qc2 exd4 | 16.Rd3 Nc5 |
| 17.Rxd4 Nd5 | 18.Bxd5 Bxd4 | 19.Bxf7+ Rxf7 | 20.exd4 Ne6 |
| 21.Be3 Rd8 | 22.Ne5 Re7 | 23.Qb3 Qb5 | 24.Qa3 Ree8 |
| 25.Rd1 Nxd4 | 26.Rxd4 Qxe5 | 27.Qb3+ Rd5 | 28.Ra4 a6 |
| 29.Qxb7... | | | |

**QUESTION :**
**Black to win**

**Puzzle 106 Ans. :**

**32.** ...Rxg2+The black rook decoys White's king. **33.** Kxg2 Qxe2+ **34.** Rf2 Rg8+ **35.** Ng3Rxg3+The black rook decoys White's king. **36.** Kxg3Ne4+The black knight forks White's rook and king. **37.** Kh4 Qxf2+

**32.** ...Rxg2+ **33.** Kh1 Rh2+ **34.** Kxh2 Qxe2+ **35.** Kg1 Qxd1+ **36.** Kf2 Ne4+ **37.** Kg2 Qe2+ **38.** Kg1 Rg8+ **39.** Ng3 Rxg3+ **40.** Rxg3 Qf2+

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Printing In-charge : Wahengbam Ranjit; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com